**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্সবগী থবক চত্থবদা নোংমৈ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ভগবান বুদ্ধাগা মরী লৈনবা শেংলবা পিপ্রৱাহ্ রিলিকশিংগী গ্রান্দ ইন্তরনেসনেল এক্সপোজিসন হৌদোক্কনি।

অমসুং

৩) ই.সি.আইনা ২০২৫ গী ওহনা ভোতরশিংদা মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগীদমক বেষ্ট কেম্পেনগী মিদিয়া এৱার্দ পীনবা ইন্ত্রি কৌরি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্সবগী থবক চত্থবদা নোংমৈ অমসং নোংমৈ মরু লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থোংজ় পার্ট-টু পেচু লম্পাক নিংঙোম্বম লৈরক্তগী মীওই অমা ফাখি। মঙোনদগী নাইন এম.এমগা মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা ফাগৎখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈমাখোং মপাল মমাং লৈকাইদগী নোংমৈ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু ৯ ফংখি।

ৱেদর (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা লৈচিং কুংনা থারবা য়াই। সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদদি হয়েং ফাওবা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাই পিথোরা কলচরেল কমপ্লেক্সতা ভগবান বুদ্ধাগা মরী লৈনবা শেংলবা পিপ্রৱাহ রিলিকশিংগী গ্রান্দ ইন্তরনেসনেল এক্সপোজিসন হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিগী ওফিসনা হায়- পিপ্রৱাহ রেলিকশিং অদু ১৮৯৮ দা থেংনখিবনি। মেলা অসিনা ভগবান বুদ্ধনা তাকপী তন্বীরম্বশিং অদুগা মরী লৈনবা ভারতকী মরুওইরবা সভ্যতাগী মরী অদু উৎলি। মসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা ধর্ম্মগী অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা হেরিতেজ অদু ঙাক শেনবগী ফিরেন অদুবুসু উৎলি।

বৈষ্ণো ঃ  কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- স্মোল অমদি মোদুলর ন্যুক্লিয়ার রিএক্তরশিংনা দাটা সেন্তরশিংদা দরকার লৈবা মৈ পীনবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইরি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- সষ্টেনেবল হারনেসিং এন্দ এদভান্সমেন্ট ওফ ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি ফোর ত্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া (শান্তি) বিল পাস তৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা হৌজিক ওইরক্লিবা এ.আইদা যুম্ফম ওইবা ইকোনোমি শেমগৎনবা মপুং ফানা শেম শারে। লম অসিদা ইনোভিসনগী দরকার লৈবদু পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা দিজাইনশিংনা লম একর ১৪ দা ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্টশিং লিংখৎপা ঙমহল্লে। মহাকা হায়- ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্টশিং অসি রেল গাড়ি চেনথোক চেনশিন তৌহনবদসু শিজিন্নবা য়াই।

সংসদকী নিংথম মীফমদা পাস তৌখিবা শান্তি বিল অসি মমাং থাদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনসু অয়াবা পীখ্রবনি।

ইসিঃ  ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই)না ২০২৫ গী ওইনা ভোতরশিংদা মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং নিংথিনা ঈ-পাউ পীদুনা খঙহন্নবগীদমক বেষ্ট কেম্পেনগী মিদিয়া এৱার্দ পীনবগীদমক ইন্ত্রিশিং কৌরি।

মীখল নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবা হোৎনবদা মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং অদুবু শক খঙবীবা ওইনা মনা অসি পীগদবনি।

মনা অসি প্রিন্ট, টেলিভিজন, রেদিও অমসুং ওনলাইন মিদিয়া হায়না তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি মরিদা পীগনি। কম্মিসন্না রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্কী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংদা অসিগুম্বা মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংগী মীং অমদি মখোয়না তৌখিবা থবকশিংগী অকুপ্পা ৱারোলগা লোয়ননা থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকবা খঙহনখ্রে।

মনা অসি কুমশি চহিগী নেসনেল ভোতর ডেদা য়েন্থোক্কনি।

সোমানাথনঃ  কেন্দ্রগী কেবিনেট সেক্রেটরি টি.ভি. সোমানাথন্না হায়রি- মগুন লৈবা লৈঙাক সাসন লৈহন্নবা অমদি মতম চানা থবক পায়খৎপা ঙমবগী প্রধান মন্ত্রিগী ফ্লেগসিপ প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা প্রগতিগী থৌশিলনা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং অমসুং য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং হেন্না নিংথিনা পায়খৎপা ঙমহল্লে।

প্রগতিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সোমানাথন্না হায়- হৌজিক ফাওবদা প্রগতিগী মীফম ৫০ পাঙথোকখ্রে অমসুং মসিগী মখাদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা প্রোজেক্টশিং য়াওনা পুন্না প্রোজেক্ট লিশিং ৩,৩০০ হেনবগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। মহাকা হায়- লৈবাক অমা রেসন কার্দ অমা অমসুং পি.এম.জন্ন অরোগ্যা য়োজনা য়াওনা সরকারগী স্কিম ৬১ গী মতাংদসু খন্নখি।

শ্রী সোমানাথন্না মখা তানা হায়- ২০১৫ দা প্রগতি চৎনবা হৌখিবদগী কোরোনাগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং, বেঙ্কিং অমসুং ইন্সুরেন্স অমদি জন্ন-ধন য়োজনা য়াওনা মীয়ামগী খুদোংচাদবা তোঙান তোঙানবা লম ৩৬ সু হন্না য়েংশিনখি।

জিতেন্দ্রঃ  কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- লাক্লিবা চহি ২০ লোম অসিদি লৈবাক অসিগী গ্রোথ-স্পেস, ওসিন্স, বাইও টেকোলোজি, ক্লিন ইনর্জি অমসুং এদভান্স মেন্যুফেকচরিং য়াওনা ইনোভেসন্না লমজিংবা লমশিংনা ওইহনগনি।

নিউ দিল্লিদা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা ঙসি বিভাগশিং অমদি মন্ত্রালয়শিংদা পায়খৎলিবা মরুওইবা থবক থৌরাং পুমমক টেকোলোজিগী মতেংননি। রিছার্স দিভলপমেন্ট এন্দ ইনোভেসন (আর.দি.আই) ফন্দ ওইনা লুপা কোতি লাখ ১ থাদরিবা অসি প্রাইভেট সেক্তরদা রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্টকী থবক হেনগৎহন্নবা ২০২৫ গী মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

মহাকা দিপ ওসিন মিসন অমসুং গগনয়ানগুম্বা ফ্লেগসিপ মিসনশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ভারতনা মী তোংবা স্পেস ফ্লাইট অমদি সমুদ্র ইরোলনুংগী মরমদসু কুপা থিজিন্নবা শেম শারি হায়নসু ফোংদোকখি। মন্ত্রিনা হায়- ভারত এষ্ট্রোনোট অমনা স্পেসকী খোঙচৎতা লৈরিঙৈদা, ভারতনা মিতর লিশিং ৬ লুবা সমুদ্র ইরোলনুংদসু মী তোংবা সবমেরিন থাদুনা ২০২৭ তদি ঐতিহাসিক ওইরবা থৌওং অনি পাঙথোকপগী মীংচৎ ফংগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সরকারগী প্রিন্সিপাল সাইন্তিফিক এদভাইজর প্রোফেসার অজোয় কুমার শুদনা হায়- লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা দ্রোন শক্তি মিসন হৌদোক্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মণিপুরগী মতাংদা খন্নখিবা, ষ্টেট লেবেল গান ঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

দিল্লিদা মণিপুরগী মরমদা কুপা খন্নখ্রে, অমিত সাহনা প্রিসাইদ তৌবা মীফমগী প্রসিদেন্ট রুল শাংথবা শাংথবগী মতাংদা খন্নখিবগী থাজবা লৈরি হায়না

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ য়াওনা মণিপুরগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রেদ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মরী লৈনবা পাউশিং দ পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট লেবেল গান ঙাই সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে, মীয়ামগী মীহুৎসু শোইরকপা য়াওদবা নত্তে, চুমথোকপগী মহুৎতা চৈবনা চাওখৎপা ঙমলোই হায়না স্পিকর থোকচোম সত্যবর্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট অসিদা গান ঙাই কুম্মৈ পাক শন্না পাঙথোকরি হায়না পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- ঙমখৈদা নোংমৈ কাপবদা কে.এন.এ-বিগী লান্মী অহুম, পি.দি.এফকী ১৯ লোম লৈখিদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

আই.দি.পি অঙাংশিংগী ঙাক শেনবা অমসুং য়াইফনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীফম অমা বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবগী পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অঙাং য়োনবনি হায়বা কেসতা মী ৯ ফাখ্রে, অঙাং কলহৌরে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------